**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংলগা নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)না বিরেন সরকারদা শৌগৎপা তোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

২) জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফারবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি রামদাস অথৱালেনা তেরোরিজমগী থবকপু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং অহকপা চৈরাক পীনবা দাবী তৌরি।

৩) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা এম.এল.এশিং পুন্না হোৎনমিন্নবগী মতম য়ৌরে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নাইজেরিয়াগী রাষ্ট্রপতি বোলা অহামদ ইনুবুগা অবুজাদা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৫) নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

------

ৱিথদ্রো ঃ  মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম অসি য়েংলগা নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)না  বিরেন সিংহনা লুচিংবা রাজ্য সরকারদা শৌগৎলম্বা অদু তোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে. সংমানা বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দাদা থাবা চেরোল অমদা হায়- নেসনেল পিপলস পার্তিনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম অসিদা কন্না নুংনাংবা পোকই। চেরোল অদুনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী ফিভম হেন্না ফৎচিল্লক্তবগা লোয়ননা মরাল নৈতবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংলে অমসুং রাজ্য অসিগী মীয়ামা কা হেন্না অৱাবা মায়োকরে। শ্রী বিরেন্না লুচিং মখাদা রাজ্য সরকার অসিনা ৱাথোক অসি লোইশিন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা লাকহনবা ঙমদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা নেসনেল পিপলস পার্তিনা বিরেন সিংহনা লুচিংবা মণিপুর সরকারদা শৌগৎপা খুদক্তগী তোক্লে হায়রি।

অমিত সাহ ঃ       অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ননবা মীফম অমা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা কৌদুনা পাঙথোক্লবা য়াই।

পাউ খরনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা মহাকা মহারাষ্ট্রদা বি.জে.পিগী ভোৎ খোম্বা চৎকদবা অদুসু তোকখ্রে।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফারবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি রামদাস অথৱালেনা মরাল নৈতবা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম তেরোরিষ্টশিংনা নমদুনা ফারগা হাৎখিবগী থৌওং অদুদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা তেরোরিজমগী থবকপু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং অহকপা চৈরাক পীনবা দাবী তৌরি।

অঙাং য়াওনা মীওই ৬ অদুবু মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপিখিবা থৌওংবু জেলিয়াংরোং য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুরনসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। চেরোল অমদা কমিতি অসিনা হায়- অঙাং অমদি নুপীশিং ফারগা

হাৎপগী থৌওং অসি মালেমগী মীপুম খুদিংমক অমদি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা জাতি-ফুরুপ খুদিংমকা য়ানিংদবা ফোংদোকফম থোকই। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্দুনা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবীনবসু চেরোল অদুনা হায়রি।

রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ মণিপুরনসু রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পুকচেল শেংনা হোৎনবীনবা আপীল তৌরি।

থৌবাল অপুনবা লুপনসু থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি মেলা গ্রাউন্দদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। লন্বী থিংজিনদুনা চথখিবা মীয়ামগী খোঙজং অদুদা তেরোরিষ্ট মরু ফংনা মুখৎলু, অফস্পা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই, ঐখোয় শান্তি পাম্মী, মীওইবগী হকপু ইকায় খুমনৌ হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফারগা হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা জ্দিয়েল ইনক্কারি চত্থদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা তকশিল্লদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী বাবু বজারদসু মীয়ামা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কোরিয়া মণিপুর এসোসিয়েসন্নসু ঙসি সিওল সিতিদা খোঙজং চংশিনখ্রে। রাজ্য অসিদা য়ারিবা মখৈ অথুবা মতমদা শান্তি অমদি মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎনবসু এসোসিয়েসন অসিনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারদা তকশিল্লি।

জিরিবামগী থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লন্বী থিংবা অমদি ৱাকৎ মীফম ফম্বনচিংবা চত্থনখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা খোইশাওনরবা মীয়ামা ৱাংজিং-তেন্থা বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- পাউনম ব্রোজেনগী য়ুম অমাং অতা থোকহল্লম্লে হায়রি।

বোদি(এল)ঃ জিরিবাম জিলাদগী থা অসিগী ১১ দা অঙাং ৩ য়াওনা মীওই ৬ ফাখিবা অদুগী মনুংদা হকচাং ৩ ঙরাং ফংখ্রবা মতুংদা ঙসি নুপী অমগী অশিবা

হকচাং অসামগী কছার জিলাগী বরাক তুরেলদগী ফংলে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবামগী পাউমী ঙাথেম বিস্বজিৎনা হায়-ঙসি অয়ুক কছারগী সিংগিরবোন মপাদা বরাক তুরেলদগী অশিবা নুপী অমগী হকচাং তাওথরকপা থেংনরকপনি। মীওই অসি মাংখিবা মীওই ৬ অদুগী মনুংদা অমা ওইরম্বা য়াই হায়রি। হকচাং অদু অসাম পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

ইন্টরনেট (এল) ঃ মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি য়েংলগা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোরকপা য়াবা অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাদসু ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ নিনি ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিনখ্রে।

রাজ্যগী হোম বিভাগনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- অথিংবা অসিদা মোবাইল দাটা সার্ভিস, ভি-সেট, ব্রোদবেন্দ অমদি ভি.পি.এন. সার্ভিসশিং য়াওরি।

তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমদি চিংগী জিলাশিং-কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদসু ঙরাংদগী ইন্টরনেট সার্ভিস নুমিৎ নিনিগী ওইনা থিংজিনখ্রবনি।

উ থাবা ঃ এক পের মা কে নাম খোঙজংবু মায় পাকহনবদা থৌদাং লৌরিবশিংগী মফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা মীয়ামদা ইমাগী মিংদা উ পান্বী অমমম থানবা অমসুং মালেম অসি মীওইবনা হিংবদা নুংঙাইবা গ্রহ অমা ওইহন্নবা থবক পায়খৎনবা হায়খি। শ্রী মোদিনা এক পের মা কে নাম কেম্পেন অসি চহি অসিগী জ়ন ৫ মালেমগী অকোইবগী ফিভম কনবা নুমিৎতা হৌদোকখিবনি।

ইবোবী (এল) ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা এম.এল.এশিং পুন্না হোৎনমিন্নবগী মতম য়ৌরে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শ্রী ইবোবীগী ক্বাটরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোবীনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা কেন্দ্রনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকখি। হিংশানা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙমলোই হায়রদুনা শ্রী ইবোবীনা মীয়ামদা হিংশাগী থৌওং চথবীদনবসু আপীল তৌরি।

পাউগী মীফম অদুদা লোক সভা সদস্য বিমোল অকোইজমনা হায়- মরাল লৈতবা মীওইশিং, নুপী অঙাংবু নম হাদুনা ফারগা হোষ্টেজ ওইনা থম্বা অসি তেরোরিষ্টকী থৌওংনি।

অৱাংবৌ (এল) ঃ ৱাটর রিছোর্সেস, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন এসোসিয়েসনগী অহুমসুবা জেনেরেল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- নুপীশিংনা নুপানা পাঙথোকপা ঙমদবা থবক কয়া তৌবা ঙম্মী। মহাকা লানগী মতমদা শান্তি পুরকপদসু নুপীশিংনা চাউনা থৌদাং লৌবা ঙম্মী। নুপীশিংনা য়ুমগী থবক ইনখাংশিং য়েংশিনবতা নত্তনা তুংগী মীরোল শেমগৎপদসু চাউনা থৌদাং লৌরি।

সেনাপতিগী মর্ল্টি পরপজ হোলদা থৌরম ৱিমেন ওফ এপতিমিজম হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ- জে. কুমোসাসু শরুক য়াখি।

পোষ্টপোন্দ (এল) ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা লৌবা পরিক্ষা খুদিংমক য়ৈথোক্লে। য়ুনিভর্সিতি অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা লৌবা পরিক্ষা খুদিংমক মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে অমসুং নৌনা লেপ্পা মতম অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি।

আর.কে. সনাতোম্বী দেবী কলেজ ওফ ইজ্কেসনগী বি.এদকী অহানবা অমসুং অহুমসুবা সেমিষ্টরগী প্রি-ফাইনেল একজামিনেসনসু মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নাইজেরিয়াগী রাষ্ট্রপতি বোলা অহামদ ইনুবুগা অবুজাদা ৱারী শান্নখ্রে। মদুগী মমাংদা শ্রী মোদিবু অবুজাগী রাষ্ট্রপতিগী ভিল্লাদা হৌনবী মতুংইন্না তরামা ওকখি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিনা লম কয়াদা তেংবাং পীননবা অমদি লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মখোয়না ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্ন-ৱারোল কয়াসু সহি তৌনখি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংদসু ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিবু নাইজেরিয়াগী গ্রান্ট কম্মান্দর ওফ দ ওর্দর পীদুনা ইকায় খুমগনি। মনা অসি ফংবা মহাকা অনিসুবা মীরৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইরে। ১৯৬৯ দা মনা অসি মহারাণি ইলিজাবেথতা পীদুনা ইকায় খুমখিবনি।

শ্রী মোদি নুমিৎ নিনিগী নাইজেরিয়া খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং অবুজাদা থুংখিবনি। মসি হৌখিবা চহি ১৭ অসিগী মনুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রিগী অহানবা নাইজেরিয়াগী খোঙচৎনি। নাইজেরিয়াগী মীয়ামা থাজবা অমদি ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পীবা কি টু দ সিতি ওফ অবুজাসু মঙোনদা খুদোল তমখি।

শ্রী মোদি ঙসি নুমিদাং ব্রাজিলগী রিও দি জেনেরো সিতিদা থুংগনি। ব্রাজিলগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা শ্রী মোদিনা জি-ত্বেন্তিগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মালেমগী ৱাফম কয়াগী মতাংদা ভারতকী ওইবা মোৎ ফোংদোক্কনি অমসুং হন্দক্তা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ভোইস ওফ দ গ্লোবেল সাউথ সম্মিৎ অমদি নিউ দিল্লিদা জি-ত্বেন্তিগী লুচিংবশিংনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদসু ৱা ঙাংগনি। মহাকা জি-ত্বেন্তিগী মীফমদা য়াওবা লাকপা মালেমগী লুচিংবা কয়াগসু উন্নরবা য়াই।

মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবদা শ্রী মোদিনা থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা গুয়ানাদা চৎকনি।

মিতিং ঃ লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কমিতিগী মীফম অমা ঙসি চেন্নাইদা পাঙথোক্কুনা লৈবাক অসিগী সমুদ্র খোঙবানগী লমদম ঙাক শেন্নবা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা লৌখৎলিবা থবকশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা ঙাকশেল অমদি ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক

য়াখি। কোষ্ট গার্দকী দাইরেক্তর জেনেরেল এস. পারামেসনা লৈবাক অসিগী সমুদ্র খোঙবান ঙাক শেনবদা শিংনরকপশিং মায়োকনবা শেম শারিবা থৌশিংল থৌরাং কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। কমিতিগী মেম্বরশিংনা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা হন্দক পাঙথোকখিবা থবক কয়াগী মতাংদসু অপেনবা ফোংদোকখি।

টেষ্ট ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)না ওরাং উরিষাগী সমুদ্র খোঙবানদা লৈবা ডাঃ এ.পি.জে. অবদুল কলাম ঈথৎতা লৈবাক অসিগী অহানবা শান্না কাপ্পা ঙম্বা হাইপর সোনিক মিসাইল মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে। মিসাইল অসি আর্মদ ফোর্সেসকী তোঙান তোঙানবা পে লোদশিং কিলোমিতর লিশিং ১,৫০০ দগী হেন্না শান্না পুবা ঙমবগীদমক শাবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা চাংয়েং অদুবু ঐতিহাসিক ওইরবা থৌওং অমনি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা ভারত অসি লান্মীগী টেকোলোজিগী লমদা খুমাং য়াংশিল্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা চলহনবা ঙমলে হায়খি। মিসাইল অদু মায় পাকা চাংয়েং তৌবগীদমক মহাকা দি.আর.দি.ও, আর্মদ ফোর্সেস অমদি মসিবু শারিবা উদ্যোগপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মীখল ঃ মহারাষ্ট্র অমসুং ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী ভোট খোন্বগী মতম হয়েং নুমিদাংৱাইরম লোয়রগনি। তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোকপা মহারাস্ত্র বিধান সভা মীখল অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্কী ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি। মীখল থা অসিগী ২০ পাঙথোক্কনি। ভোৎ মশিং থা অসিগী ২৩ দা থীগনি।

এপ্পোইন্ট ঃ শকাইরবা ফিলম মেক্কর অসুতোস গোৱারিকরবু ২০২৪ গী ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল (ইফি)কী ইন্তরনেসনেল জৃরিগী চেয়ারপার্সন ওইনা খনখ্রে। গোৱারিকর অসি জোধ আকবর, লগান অমদি স্বাদেশকুম্বা ফিলমশিংগীদমক মীয়ামা শকখঙনরবা মীশক অমনি।

**অসুতোস গোৱারিকরনা হায়- গোৱাদা থা অসিগী ২০ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লেমজনিঙাই ওইরবা লেমজনিঙাই ওইরবা ফিলম ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইবা ফংবদা মহাকা নুংঙাইবা ফাওই।**

**মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বালা সাহেব থাক্রে লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোলদা বাবা সাহেব থাক্রে অসি মীৎয়েং শানবা মীওই অমনি। মহাক্কী অখাঙ কনবা অমসুং হনবা লৈতবা ৱাখল্লোনশিং তুংগী মীরোলশিংনা তমজনিঙাই ওইরি।**

**শ্রীলঙ্কা ঃ শ্রীলঙ্কা লৈবাক অদুগী সরকারগী অনৌবা মন্ত্রি মন্দলগী সদস্যশিং হয়েং ৱাশক লৌগনি। পাউ খরনা হায়- রাষ্ট্রপতি অনুরা কুমারা দিসা নায়কনা সদস্য ২৩ য়াওবা মন্ত্রি মন্দল অমা শেমবা থৌরাং তৌরি। ডাঃ হরিনি অমারা শুরিয়াবু অমুক হন্না প্রধান মন্ত্রি ওইনা অদুগা বিজিতা হেরাতনা বিদেশ মন্ত্রি ওইনা হাপ্লবা য়াই। সরকার পায়রিবা নেসনেল পিপলস পৱার এল্লায়েন্সনা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা সিট ২২৫ গী মনুংদা ১৫৯ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখিবনি।**

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ--**

**সন্তোস ঃ** ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী ঙসি অয়ুক ত্রিপুরাগী উমাকান্ত মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জল অনি অদু সুনজানথাং রাগুই অমদি নাওরোইবম ফিল্লিপসনা চনখিবনি। মিজোরমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লাল্লৱম কিমানা চনখিবনি। ঙসি থোইখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা হৌজিক গ্রুপ-দিগী মকোক্তা লৈরি। মণিপুরগী মথংগী মেটচ হংচিৎ লৈবাকপোকপা নুমিৎ ত্রিপুরাগা শান্নরগনি।

**হোক্কি ঃ** বিহারগী রাজগীরদা চগ্খরিবা ৱিমেন এসিয়ান হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা জপানবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা চাইনানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

**টেন্নিস** ঃ টেলর ফ্রিটস চহি ১৮ গী মতুংদা এ.টি.ফি ফাইনেলস চংবা অহানবা আমেরিকা মচা ওইরে। ইটলিগী তুরিনদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মহাকা ৱার্ল্ড নম্বর টু আলেকজেন্দর জবরেভপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি। টেন্নিস সিজনগী মহাক্কী মঙারক শুবা ফাইনেল অসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ফাইভ ওইরিবা ফ্রিটসনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী চাউবা টাইটল লৌনবা আশা তৌরি। মহাকা ইটলিগী জেনিক সিন্নর অমসুং নোরৱেগী কেসপর রুদকা শান্নগদবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলগী অথোইবদুগা হয়েং ফাইনেলদা থেংনরগনি।

------